



# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, SEPTEMBER 03, 2019 **PAGE 7**


*খোঙনিং শোকপনা মরম ওইরগা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২০ য়ুরো ক্বালিফায়রদা শরুক য়াবা ঙস্লোইদৌরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোই পোল পোগবা*

*ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এসলি বার্টি মায়থিবা পীরম্লগা য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী চাইনাগী ৱাং কিয়াং*



## স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমদি য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা য়ু এস ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমদি য়ুকেনগী এলিনা স্বিটোলিনা মখোয়–মখোয়গী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা য়ু এসকী সিটি ন্যু য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দদা ১৫শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু য়াম্না লায়না স্ট্রেট সেট অহুম ৬–২, ৬–২, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভকা লম্বা তৌনরগনি।

বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওস্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরবু স্ট্রেট সেট অহুম ৭–৫, ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা জর্মনিগী দোমিনিক কোপফরবু ৩–৬, ৬–৩, ৬–২, ৭–৬(৭–২) দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা ২৩শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী স্টান ৱারিনকাগা লম্বা তৌনরগনি।

২৩শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী স্টান ৱারিনকানা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইবদা নত্তনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানসু ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসপু অহানবা সেট অনী ৬–৪, ৭–৫ দা মাঙজিল থারবা মতুং অহুমশুবা সেট শান্নরকপদসু জোকোভিস শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী স্বিটজরলেন্দগী স্টান ৱারিনকা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ১০শুবা সিদেদ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্থু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই মেডিসন কিজবু ৭–৫, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা স্ট্রেট সেটতা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ১৬শুবা সিদেদ বৃটেনগী জোহানা কোন্টাগা শান্নরগনি। জোহানা কোন্টানা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৭(১–৭), ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মস অমদি ১৮শুবা সিদেদ চাইনাগী ৱাং কিয়াংগা শান্নরগনি।

য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২২শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকপু স্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা ১৮শুবা সিদেদ চাইনাগী ৱাং কিয়াংনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নম্বর টু সিদেদ ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু স্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা মহাক্কী নুপাগী দবলস অমসুং মিক্স দবলসকী মেটচশিংদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভ ১৫শুবা সিদেদ বৃটেনগী পেয়র নিয়েল স্কুপস্কি অমদি জেমী মুরেগী মখূত্তা ৩–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌখি।

মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতসু ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি য়ু এসকী এবিগেল স্পিয়র্স ফ্রান্সকী পেয়র ফ্রেবিস মার্টিন অমদি রাকেল অটারোগী মখূত্তা স্ট্রেট সেট ৫–৭, ৬–৭(৪–৭) দা মায়থিহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।



*ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা স্বিটজরলেন্দগী ফেদরর (ওই) অমদি য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা*

## স্পেনগী লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদ অমদি ভিলারিয়েল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে, এটলেটিকো মাদ্রিদ মায় পাকখ্রে

*মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*



স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদ অমদি ভিলারিয়েল গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে, এটলেটিকো মাদ্রিদনা আইবরবু ৩–২ দা থোইখ্রে।

লা লীগাগী ঙসি রিয়েল মাদ্রিদ অমদি ভিলারিয়েলনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মেটচকী ১২শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই জেরার্দ মোরেনোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা গোল শোত্থরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই জেরেথ বেলনা গোল অমা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা টিম অনীমক পাঙ্গল মান্ননা লাকখি। মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী মোই গোমেজনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮৬শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই জেরেথ বেলনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ২–২ দা দ্রো চৎখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা আইবারবু গোল ৩–২ দা থোইখি। মেটচকী অহানবা গোল ৭শুবা মিনটতা আইবারগী শান্নরোই চার্লিসনা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৯শুবা মিনটতা গোল মাঙজিল থারিবা আইবারগী অতোপ্পা শান্নরোই এনেটজ অরবিল্লানা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেনখিবদগী এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিং দা অকনবা প্রেসর লৈবা হৌরকখি।

মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই জোৱাও ফেলিক্সনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা আইবারনা এটলেটিকো মাদ্রিদপু ২–১ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই ভিটোলোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী অরোইবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই থোমাস পার্টিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–২ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা গ্রানাদানা ইস্পানিওলবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। গ্রানাদাগী গোলশিং অদু শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা এন্টোইন প্যুরটাসনা অহানবা, মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা কার্লোস ফর্নান্দেজনা অনীশুবা অদুগা ৭৪শুবা মিনটতা রামোন অজিজনা অহুমশুবা গোল চন্দুনা মেটচ অদু ৩–০ দা মায় পাকখি।

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা আর্সনেল অমদি টোটেনহাম হোটস্পর গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা হোটস্পরগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ান ইরিকসেননা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। মেটচকী ৪০শুবা মিনটতা হোটস্পরনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা হেরি কেননা গোল অমা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। ৪৫শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই আলেকজেন্দ্রি লাকাজেটনা গোল অমা চন্দুনা ১–২ দা শোত্থদুনা লৈখি।

মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই পিয়েরি ইমেরিক ওবামেয়াংনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ২–২ দা দ্রো চৎখি।

## কেপ্টেন পান্দে অমদি সিভম দুবেগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা ইন্দিয়া ‘এ’ না সাউথ অফ্রিকা ‘এ’ বু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে

*থিরুবনন্থপুরম, সেপ্টেম্বর ০২(এজেন্সি)ঃ*



ইন্দিয়া ‘এ’ অমদি সাউথ অফ্রিকা ‘এ’ না শান্নখিবা অনওফিসিয়েল ওইবা ৱান দে সেরিজগী অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট ৪ দা থোইদুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখ্রে।

অহুমশুবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস সাউথ অফ্রিকানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌখি। মখোয়গী বেট্টিং তৌরিঙৈদা নোং তারকপদগী ওভর অদু ৩০ দা তেনশিনখি।

সাউথ অফ্রিকানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২০৮ লৌবা ঙমখি। সাউথ অফ্রিকাগী বেট্টিং অদুদা বেটসমেন ঐচ ক্লাসেননা রন ৪৪ লৌখিবা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

টিম অসিগী অতোপ্পা বেটসমেন জে মালানগী রন ৩৭ অমদি এম ৱ্রিটচকেগী রন ৩৬ না মপুং ওইনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অসি ওভর ৩০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২০৭ লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা ক্রুনাল পান্দিয়া অমদি দি চাহরনা সাউথ অফ্রিকাগী বেটসমেন ২।২ আওট তাহনবা ঙমদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা ওভর ৩০ দা মায় পাক্নবগী রন ২০৮ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ২৮শুবা ওভরগী ৫শুবা ওভরদা বেটসমেন ৬ আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী বেট্টিংদা কেপ্টেন মনিস পান্দেনা বোল ৫৯ দা রন ৮১ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। টিমমেট সিভম দুবেনা বোল ২৮ দা আওট ওইদনা রন ৪৫ লৌরম্বা অমদি অতোপ্পা বেটসমেন ইসানগী কিষনগী রন ৪০ না মপুং ওইরগা ইন্দিয়ানা মেটচ অসি মায় পাকপা ঙমখিবনি। সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লর নোর্টজে অমদি জি লিন্দেনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ২ / ২ আওট তাহনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মনিস পান্দেনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

## মুরুগপ্পা গোল্ড কপ হোক্কী ঃ অফান য়ৌসুফকী হেটট্রিকনা আই ও সিনা আই এ এফপু গোল ৪–৩ দা থোইখ্রে

*চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*



তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা চত্থরিবা মুরুগপ্পা গোল্ড কপ হোক্কীগী পুল ‘এ’ গী মেটচ অমদা অফান য়ৌসুফনা চনখিবা হেটট্রিক্না ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেজসন (আই ও সি)না ইন্দিয়ান এয়র ফোর্স (আই এ এফ)পু গোল ৪–৩ দা থোইখ্রে।

মেটচ অসিগী শান্নরকপা মিনট ৪ শুরকপদা আই এ এফকী শান্নরোই দমনজিৎ সিংহনা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। ১১শুবা মিনটতা আই ও সিগী শান্নরোই গুরিজিন্দর সিংহনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

মেটচকী ২০শুবা মিনটতা আই এ এফকী হরৱান্ট সিংহনা গোল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। ২৬শুবা মিনটতা অফান য়ৌসুফনা গোল অমা চল্লগা ২–২ দা মান্নরবা মতুং মেটচকী ২৯শুবা মিনটতা আই এ এফকী শান্নরোই মেঞ্জর সিংহনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপা অহানবা মিনটতা আই ও সিগী মায়কৈদগী অনীশুবা গোল চনখিবা অফান য়ৌসুফনা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিমগীনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–৩ দা মান্নদুনা লৈখি।

টিম অনীমক গোল মান্নখ্রবা মতুং মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪৪শুবা মিনটতা আই ও সিগী শান্নরোই অফান য়ৌসুফনা মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদু চন্দুনা ৪–৩ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৬ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু আই ও সিনা আই এ এফপু গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মুরুগপ্পা গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল ‘বি’ গী লীগ মেটচ অমদা সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েট অমদি আর এস পি বি গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসি য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোইশিল্লক্নবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা আর এস পি বিগী শান্নরোই বি এম সেসে গোদানা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মিনট ৩ লৈরগা সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েটকী শান্নরোই গোবিন্দ সিংহ রাৱটনা গোল অমা চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ১–১ দা মান্নখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৪শুবা মিনটতা সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েটকী গোবিন্দনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী ৪৭শুবা মিনটতা টিমমেট জেয়েস জাদবনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫২ অমদি ৫৬শুবা মিনটতা আর এস পি বিগী শান্নরোই সেসে গোদানা গোল অনী চনশিন্দুনা মেটচ অসিদা মহাক্কী হেটট্রিক গোল ওইখিবগা লোয়ননা টিম অনীমক গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎখি।

## রিশব পান্টনা ধোনিগী রেকোর্দ থুগায়খ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী ৱিকেটকিপ্পর বেটসমেন ওইরিবা রিশব পান্টনা মমাঙগী ৱিকেট কিপ্পর ওইরিবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিগী রেকোর্দ থুগায়দুনা টেস্ট ক্রিকেট মেটচতা কিরেট ৫০ তুহন্দুনা ইন্দিয়াগী খ্বায়দগী থুবা স্টম্পর ওইরে।

মহাক্কী টেস্ট মেটচ মশিং ১১ শুবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱেস্ট ইন্দিসগা সবিনা পার্কতা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইর্শান্ট শর্ম্মনা লংলকপা বোলদা করাইগ ব্রাথৱাইটগী কেস অদুবু ওকখিবা অদুনা মহাক্কী ৫০ শুবা ৱিকেট ওইখি।

মমাঙদা ধোনিগী ৱিকেট ৫০ অদু টেস্ট মেটচ ১৫ দা লৌবা ওইখিবনি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা চহী ২১ শুরবা পান্টনা ৱিকেট কিপ্পরনা খ্বায়দগী বোল ফাবগীদমক ৱার্ল্ড রেকোর্দকা মান্নহনখি।

বোল থুনা ফাবদা ওস্টেলিয়াগী এদ্রিলৈদিতা ১১ রক টেস্ট মেটচতা ফাখি। অমদি মদুনা ইংলেন্দগী স্টেম্পর ওইরিবা জেক রুসেল অমসুং সাউঠ অফ্রিকাগী এবি দি ভিল্লরগা মান্নরি।

## বারলিনদা পাঙথোকখিবা আই এস টি এ এফ মিটিং দা কনাদাগী গ্রাসেসনা ১০০ মিটরদা গোল্ড লৌখ্রে

বারলিন, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ



হন্দক্তা জর্মনিগী কোনুং বারলিননা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা আই এস টি এ এফ মিটিং ২০১৯ দা কনাদাগী এন্দ্রি দি গ্রাসেসনা মহাক্কী খ্বায়দগী মক্লবা লম্বা সাউঠ আফ্রিকাগী অকানি সিমবনেবু মায়থিবা পীরম্লগা হন্দক চহীগী খ্বায়দগী য়াঙনা চেনবগী রেকোর্দকা লোয়ননা মিটর ১০০গী লমজেল অদু মিনট ৯.৯৭ সেকেন্দদা চেন্দুনা ইভেন্ট অসিদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

হৌখিবা ওলিম্পিক গেমসতা মশান্না অসিদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা শান্নরোই অসিনা হন্দক্কী কম্মন ৱেল্থ গেমসকী চেম্পিয়ন সিমবনেবু পনথুঙফম য়ৌগদবা খজিক্তং ঙায়রকান্দা হেনগৎতুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা তাহৌবা সিমবনেনা পনথুঙফম য়ৌবদা ৯.৯৯ সেকেন্দ চঙখি। মায় পাকপা অসিগী নুংঙায়বা ফোঙদোক্লদুনা গ্রাসেসনা হায়, মায় পাকপা অসিনা মহাক্কী ওইনদি মমাঙদা চেনবা অরোইবা লমজেল ওইরগনি।

পনবা য়াবদি মহাক মশাগী হামষ্টিঙদা লৈবদগী হৌখিবা ২০১৭ দা ১৩.০৭ সেকেন্দ তা পনথুঙফম য়ৌদুনা মিটিং অসিদা হন্দকসু গোল্ড লৌবা ঙমখিবনি।

হন্দক চহীগী ওইনা জর্ম্মনিগী নুপীশিংনা ৪ ১০০ মিটরগী রিলেদা ৪১.৬৭ সেকেন্দ তা পনথুঙফম য়ৌদুনা সিজন অসিগী খ্বাইদগী য়াঙনা চেনবগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখি।

## জোশি ২০২০ পেরালিম্পিক্সতা গোল্ড লৌনবা শেম শাবা হৌখ্রে

হায়দ্রবাদ, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

পেরা–বেদমিন্টনগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ওইরিবা মান্সি জোশিনা তোকিয়োদা পাঙথোক্কদৌরিবা তোকিয়ো পেরালিম্পিক অদুদা সিঙ্গলসকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

পেরালিম্পিক অদুদা সিঙ্গলস য়াওদবনা মরম ওইরগা দবলসকীদমক্তা মীৎয়েং থম্লি।

স্বিটজরলেন্দগী বাসেলদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা জোশিনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন পরুল পরামরবু সেট ২১–১২, ২১–৭ তা মায়থিবা পীদুনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

সিঙ্গলসতা শান্নবা ফঙলোয়দবা অদু লাইবক তীবনি অদুম ওইনমক মালেমগী ওইনা রেঙ্ক ১৩ দা লৈরিবা মহাক্কী পাটন্নর রাকেস পান্দেগা তোকিয়ো গেমসকীদমক কন্না হোৎন্নরি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

মহাক্কী লম্বা ওইনা থেঙনগদবা ইন্দোনেসিয়া, থাইলেন্দ, জপান অমদি জর্ম্মনিবু মায়থিবা পীদুনা পেরালিম্পিক ক্বালিফিকেসনগীদমক হায়দ্রবদতা লৈবা পুলেলা গোপিচান্দ একাদেমিদা নোংমদা সিজন অহুম ট্রেন্নিং তৌরি।

পনবা য়াবদি, ২০১১ দা থোকখিবা লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোক অমদা জোশিগী ওই থঙবা খোঙ অদু সোইনাইখিবনি। লোয়ননা ২০১৭ দা পাঙথোকখিবা পেরালিম্পিকতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবনি।

মমাঙদা ব্রোঞ্জ লৌরকখ্রবসু হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা তোকিয়ো পেরালিম্পিক অদুদদি গোল্ড মেদল লৌদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

### ক্রোসৱার্দ ২৬৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | A | C | K | | A | N | T | S | | E | M | A | I | L |
| I | N | O | N | | S | H | E | A | | N | A | C | R | E |
| G | E | N | E | R | A | L | E | L | E | C | T | I | O | N |
| M | A | D | E | U | P | | | A | R | I | | D | N | A |
| A | R | O | S | E | | A | D | D | E | R | S | | | |
| | | | | S | O | L | O | S | | C | L | O | T | H |
| E | L | A | N | | I | O | N | | F | L | O | R | A | E |
| M | A | J | O | R | L | E | A | G | U | E | B | A | L | L |
| I | C | A | R | U | S | | H | A | M | | S | L | E | D |
| T | E | X | A | N | | Q | U | I | E | T | | | | |
| | | | S | A | M | U | E | L | | R | O | A | S | T |
| S | E | W | | W | E | E | | | Z | I | P | P | E | R |
| P | R | I | V | A | T | E | P | R | O | P | E | R | T | Y |
| A | N | N | O | Y | | N | E | O | N | | N | I | T | S |
| R | E | E | L | S | | S | A | T | E | | S | L | O | T |